## তেংবাং দোলর মিলিয়ন ৪৪০ ককথখ্রে

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

যু এসনা শেলগী অৱাবা মায়োক্লরিবা পাকিস্তান্দা পীরম্বা শেলগী মতেং দোলর মিলিয়ন ৪৪০ ককথখিবগা লোয়ননা ৱাশিংটনগী ইস্লামাবাদকা মরী লৈনবা ফাইনান্সিএল কম্মিটমেন্টশিং দোলর বিলিয়ন ৪.১দা হন্থখ্রে।

পাকিস্তানদা পীবা শেলগী তেংবাংগী চাং ককথবগী ৱারেপ অদু প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী যু এস খোঙচৎকী চয়োল অহুম মাঙওইননা ৱাশিংটন্না ওফিসল ওইনা ইস্লামাবাদতা খঙহনখি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়রি।

## যুক্রেন্দা হোটেল মৈ চাকপদা নিপান শিরে

কিভ, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

যুক্রেনগী খা থংবা হিথাংফম ওদেসাদা লৈবা প্রাইভেট হোটেল অমা থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা মৈ চাক্লকখিবগা লোয়ননা মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১০না অশোক-অপন নংলে হায়না ইমর্জেন্সিজ সর্ভিসনা ফোঙদোকখ্রে। কা ২৭৩ লৈবা হোটেল অদু নোংয়াই মতুং ঙাইহাক কান্নরগা মৈ চাক্লকখিবনি।

# রোকেট এটেক্কী পাউখুম ওইনা আই দি এফনা হমাসকী টার্গেটশিংদা ষ্ট্রাইক চথখ্রে



জেরুসলেম, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

পলিষ্টিনিয়ন টেরর গ্রুপশিংনা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা ইজরেলদা রোকেট অমা কাপশিল্লকখিবগী পাউখুম ওইনা ইজরেল দিফেন্স ফোর্সেস (আই দি এফ)না নুমিৎ অসিগী থাংজগা লোন্নবা অহিংদা গজাদা লৈবা হমাসকী টার্গেটশিংদা এটেক তৌখ্রে হায়না ইজরেলি আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙাইহাক্কী মমাংদা আই দি এফকী ৱারপ্লেনশিং অমসুং এয়রক্রাফটনা গজা ষ্ট্রিপকী অৱাং অমসুং ময়াই থংবদা লৈবা হমাস টেরর গ্রুপকী অন্দর্গ্রাউন্দ টেরর ষ্ট্রকচর অনীদা এটেক তৌখি হায়না আই দি এফনা ফোঙদোকখি।

আই দি এফকী ষ্টেটমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদু গজাদগী ইরাই নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইদা রোকেট অমা কাপশিল্লকপগী পাউখুম ওইনা চথখিবনি। আই দি এফনা ইজরেলি মীচমশিংদা মাঙহন-তাকহন্নবা অমদি মীশি-মীনা থোকহন্নবা হোৎনরকপশিংগী মায়োক্তা মখা তানা পায়খৎফম থোকপা খোঙথাংশিং পায়খৎপগা লোয়ননা হমাস টেরর গ্রুপপু গজা ষ্ট্রিপ্তা তৌরিবা অমদি চথরিবা পুম্নমক্কী থৌদাং লৌফম থোকই হায়না থাজে।

গজা ষ্ট্রিপ্তগী ইজরেলদা কাপশিল্লকখিবা রোকেট অদু আইরন দুম দিফেন্স সিষ্টেম্না লমখাংদা কাপথখিবগা লোয়ননা মীশি-মীনা নৎত্রগা অমাঙ-অতা থোকপনচিংবা অমত্তা লৈখিদে। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা গজাগী বোর্দরগা নক্লবা ইজরেলগী খা থংবা শরুক্তা রোকেট কয়া কাপ্লকপা য়াই হায়বগী ৱার্নিং পীরদুনা অহৌবা সাইরেনশিং খোঙখি অমসুং মফম অদুগী মীওই কয়ানা পোকখায়বগী মখোল তাখি হায়না ফোঙদোক্লখি।

পলিষ্টিনিয়ন লিশিং কয়ানা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা গজা ষ্ট্রিপ বোর্দরদা চথরিবা প্রোটেষ্টশিংদা য়াওশিনখিবগা লোয়ননা মীওই চা কয়ানা ইজরেলি ট্রুপশিংদা নুঙনা থাবনচিংবা থৌওংশিং চথখিবা মতুংদা রোকেট কাপ্পগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি। পলিষ্টিনিয়নশিংগী ইৱাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা ইজরেলি লান্মীশিংনা ট্যার গ্যাসকা লোয়ননা মরক-মরক্তা নোংমৈ কাপখিবগা লোয়ননা পলিষ্টিনিয়ন ১৬ অশোক-অপন নংখি।

# টাইৱান্দা দোলর বিলিয়ন ৮ গী এফ-১৬ য়োনবগী থৌরাং লোমেকরশিংনা শৌগৎখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

চাইনিজ মিলিটরিকী অকনবা প্রেসর মায়োক্লরিবা মশানা লৈঙাকচবা ইথৎ টাইৱান্দা দোলর বিলিয়ন ৮ গী এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং য়োনবগী থৌরাং কোংগ্রেসনা য়াম্না থুনা পায়খৎকদবনি হায়না যু এসকী মশক নাইবা দেম্মক্রেটিক অমসুং রিপব্লিকান লোমেকরশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

বৈজিংনা লমহেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়না খন্নরিবা টাইৱানদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খ্বাইদগী চাওবা খুৎলায় য়োনবগী থৌরাংশিংগী মনুংদা অমা পায়খৎলক্লিবদুবু চাইনানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌরাং অদুগী মায়োক্তা তন্বা ঙমদবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে।

লোকহিদ মার্টিন কোর্পকী এফ-১৬ ভি জেটশিং য়োনবগী থৌরাং অদুবু সিনেট ফোরেন রিলেসন্স কম্মিটিগী চেয়রমেন জিম রিসচনা তরাম্না ওক্লদুনা ফাটরশিং অদুনা পিপল রিপব্লিক ওফ চাইনানা কন্না প্রেসর পীরিবা টাইৱানগী সোভরেন এয়রস্পেস ঙাকথোকচনবগী মতিক ময়াই হেনগৎহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। সিনেট আর্মদ সর্ভিসেস কম্মিটিগী চেয়রমেন জিম ইনহোফি অমসুং ফেলো রিপব্লিকান সিনেটর জোন কোর্নিন্না টাইৱান অসি লমদম অদুগী সিক্যুরিটিগী মরু ওইবা পীলর অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা জেটশিং অদুনা বৈজিংগী মায়োক্তা অফবা দিটেরেন্স ওইরগনি হায়খি।

# থাইলেন্দগী মরু ওইবা মুস্লিম লালহৌবা গ্রুপ অমনা অনৌবা গভর্নমেন্টকা ৱারী শানখ্রে



বেঙ্কোক, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

থাইলেন্দগী মুস্লিমশিংনা নম্না তাবা খা থংবা শরুক্তা গভর্নমেন টকী মায়োক্তা লান হৌরিবা মরু ওইবা গ্রুপ অমনা অনৌবা থাই গভর্নমেন্টগী ওফিসলশিংগা অহানবা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌনবী মতুং ইন্না পিছ টোক চথবা য়ানবগী কন্দিসন অমা ওইনা গ্রুপ অসিগী মায়কৈদগী দিমান্দ কয়া গভর্নমেন টতা থমখ্রে।

বুধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক অদুগী মালয় লোল ঙাঙবা লমদম অদুদা চহী ১৫ হেন্না লৈরকখিবা লালহৌবগী ইরাং অদুদা মীওই ৭,০০০ লোম শিখ্রে হায়না পান্নরি।

বারিসান রেভোলুসি নেসনল (বি আর এন)গী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়না ইরাই নুমিত্তা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মফম অমদা থাই দেলিগেসন অমগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে অমসুং মখোয়গী মায়কৈদগী লালহৌ অদুগা মরী লৈনবগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা ফাজিনখিবা মীওই পুম্নমক থাদোক্লবা অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী কা হেনবা থৌওংশিংগী মতাংদা লৌথুপ-লৌকোই লৈতবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা তকশিনখ্রে।

মদুনা হৌনবী মতুং ইন্না ৱারী শান্নবগী মায়কৈদা চঙশিনবা খোঙথাং অমা ওইবা য়াই হায়রদুনা মদু ৱারী শান্নবগী প্রোসেসকী য়াম্না ঙল্লিবা তাঙ্কক্লি হায়না ওফিসলশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল পিছ টোক পাঙথোকপা হায়বসি লালহৌ অদুগী মতাংদা য়াম্না তঙাইফদে হায়না লৌবা তারবদি অসুম্না অরোনবা মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা লৈবনা নাকল অনীগী মরক্তা পান্দম য়ৌনবা হোৎনবদা ৱানা থোক্কনি হায়না মশাগী চহী ৭০ শুরবা পাক ফাকির কৌবা বি আর এনগী সিনিয়র মেম্বর অমনা তাংনা পাঙথোকপা রোইটর্সকী ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি। মহাক্না ইন্টরবিয়ু অদুদা থাই ষ্টেট অসি পায়বদা শীৎ-শীৎ নান্থোক্কনবা ঙাপ্রুমগা মান্নে হায়বা ৱাফমসু থমখি।

# য়েমেনগী হৌথিশিংনা সাউদি ওইলফিল্ডদা এটেক তৌখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

য়েমেনগী হৌথি মুভমেন্টনা সাউদি অরাবিয়াগী মনুং হঞ্জিনবা এরিয়াদা লৈবা ওইল ফেসিলিটিশিংদা দ্রোন এটেক কয়া চথখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী অল মাসিরাহ টি ভিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



তৌইগুম্বসুং এটেক অদু সাউদি ওথোরিটিশিং নৎত্রগা ষ্টেট ওইল জাইন্ট অরামকোগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা কনফার্ম তৌরকখিবদি লৈতে। কুমজা ২০১৪গী অথেংবা শরুক্তা হৌথি মুভমেন্টনা কেপিটেল সানাদগী তানথোকখিবা য়েমেনগী গভর্নমেন্টপু অমুক হন্না কেপিটেলদা লৈঙাক্কী পৱার পায়হন্নবা হোৎনরদুনা ইরান্না শৌগৎপা গ্রুপ অদুনা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন অমনা কন্না মায়োক্লরকখিবনি।

চহী কয়ামুক চুপ্না শোক্লরকখিবা লান অদুদা নাকল অনীগী মরক্তগী অমনা অমগী মায়োক্তা কা হেন্না খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্বগী ফিভম উবা ফংদ্রি হায়বা য়াই। হৌখিবা থা খরা অসিদা সাউদি অরাবিয়াদা বোর্দর লান্না মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেকশিং চথবা হেনগৎখি।

অহানবা ওপরেসন্দা দ্রোন ১০না অরামকোগী সায়বাহ ওইলফিল্ড অমসুং রিফাইনরিদা টার্গেট তৌখি হায়না অল মাসিরাহ চেনেলনা হৌথি মিলিটরি স্পোক্সমেন অমা পল্লদুনা হায়খি। চেনেল অদুনা এটেক অদু করম্বা মতমদা পাঙথোকখিবগে হায়বদুদি পনখিদে।

রোইটর্সনা কমেন্ট লৌনবা হোৎনবদা সাউদি অরামকোনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদে। হৌথি স্পোক্সমেন অদুনা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকী বোর্দরগা নক্লবা সায়বাহদা চথখিবা এটেক অদুবু কুমজা ২০১৫গী মার্চতা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না য়েমেন্দা খুৎ থিংজিনবা হৌখিবদগী মালেমগী মকোক থোংবা ওইল এক্সপোর্টর ওইরিবা কিংদম অদুগী মনুং হঞ্জিন্না পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা এটেক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মেদসু হৌথিশিংনা কিংদম অদুগী ওইল পম্পিং ষ্টেসন অনীদা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা মৈ চাকহনখিবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা কোলিসন্না সানাদা লৈবা হৌথি টার্গেটশিং অমসুং গ্রুপ অসিনা পায়শিল্লিবা অতৈ এরিয়াশিংদা এয়রষ্ট্রাইক কয়া চথখি।

# ইজরেলগী ওফর যু এস কোংগ্রেসৱুমন তলাইবনা রিজেক্ট তৌখ্রে




ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

যু এস কোংগ্রেসৱুমন রসিদা তলাইবনা ইরাই নুমিত্তা ইজরেলগী ওফর অমা রিজেক্ট তৌখ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমসুং মরী-মতাগী য়ুমদা চৎপা য়াগনি হায়না ইজ রেলি গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মঙোন্দা তৌখিবা ওফর অমা তলাইবনা রিজেক্ট তৌখ্রিবসি যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুনা লৈবাক অনীগী মীখলগী মাঙওইননা যু এস দেমোক্রেটশিংগা মুক্লরকখিবদা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংনি।

পলিষ্টিনিয়নশিংগা মরী লৈনবা ইজরেলি পোলিসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকপা যু এস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী দেমোক্রেট মেম্বর অমা ওইরিবা তলাইবনা হায়খি মদুদি, ইজরেলি গভর্নমেন্টনা মহাকপু ইকাইবা পীদুনা ওৎ-নৈবগী থৌওং ওইবা ফজদবা কন্দিসন কয়া থমজিল্লকখিবনা মরম ওইনা মহাক্না ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা মহাক্কী ইমুং অমদি মরী-মতাশিংগী ময়ুমদা চত্তনবা ৱারেপ লৌরে। মহাক্না মিন্নেসোতাদগী কারকপা ফেলো দেমোক্রেটিক কোংগ্রেসৱুমন ইদহান ওমরগা লোয়ননা ইজরেলদা ওফিসল খোঙচৎ অমা চৎননবা থৌরাং তৌখিবনি।

যু এসকী রিপব্লিকান প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পীরকপা অকনবা পব্লিক প্রেসরগী মখাদা ইজ রেলি প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুনা যু এসকী রিপ্রজেন্টেটিভ অনীদু ইজরেলদা লাকপা য়াহল্লোই হায়না শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখি। মদুগী মতুং ইরাই নুমিত্তা ইজরেলনা তলাইবপু হ্যুমেনিটেরিয়ন গ্রাউন্দদা ইজরেলনা খুদুম চল্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা মহাক্কী ইমুং অমসুং মরী-মতাগী য়ুমদা চৎপদি য়াগনি হায়না অমুক লাউথোরকখিবনি। অদুমওইনমক মিচিগানদগী কারকপা কোংগ্রেসৱুমন অসিনা ওফর অদুবু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট ওফ ইজ রেলনা চথরিবা ওৎ-নৈবা অমদি কাঙলুপ নাইবগী পোলিসিশিংনা ঐহাক্কী ইমুং-মনুং নুংশিবগী ৱাখল অসিদা শান্নদুনা ঐহাকপু ইকাইবা পীবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

তলাইবনা ইজরেলি ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী মহাক্না ৱেষ্ট বেঙ্কতা চৎপদা থল্লক্লিবা কন্দিসনশিংদু করি করিনো হায়বদুদি পনখিদে।

# ইরাক্তা এয়রষ্ট্রাইক চথবদা আই এস মিলিটেন্ট ২ শিরে

বাঘদাদ, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

ইষ্টর্ন দিয়ালা প্রোভিন্সতা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক অমদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস)কী মিলিটেন্ট অনী শিখ্রে অমসুং এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ অসিগী ফাইনান্সিয়র অনী ফারে হায়না প্রোভিন্সিএল সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



ইরাকি এয়রক্রাফট অমনা দিয়ালাগী সলাউদিনগা তাইনবা বোর্দর মনাক্তা লৈবা মতৈবিজাহ এরিয়াগা নক্লবা আই এসকী লোৎফম অমদা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবনি হায়না প্রোভিন্সিএল কাউন্সিলগী সিক্যুরিটি কম্মিটিগী মকোক সাদিক অল-হুসেন্নিনা ইরাই নুমিত্তা সীনহুৱাদা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা এয়রষ্ট্রাইক অদুদা এক্সট্রিমিষ্ট আই এসকী মিলিটেন্ট অনী শিখি হায়নসু ফোঙদোকখি। মমাংদা ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মতৈবিজাহবু অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখিবদা মফম অদুগী চীং-মান অমসুং লৈতঙ্গাই ওইনা তৌবা লমগী ফিভম অদুনা মখোয়না এক্সট্রিমিষ্ট মিলিটেন্টশিং অদুবু লমদম অদুদগী তকথোকপা মপুং ফানা ঙমখিদে।

প্রোভিন্স অদুমক্তুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা হিমরিন মাওন্টেন রেঞ্জদা পাঙথোকখিবা ওপরেসন অমদা আই এস গ্রুপকী ফাইনান্সিয়র অনী ফাখি হায়না অল-হুসেন্নিনা মখা তাখি। দিয়ালাদা মিলিটরি ওপরেসনশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন পাঙথোক্লবসু আই এসকী মিলিটেন্ট খরা হৌজিকসু ইরানগা তাইনবা বোর্দর মনাক্কী চৎথোক-চৎশিনগী খুদোংচাদ্রবা এরিয়াশিংদা অমদি দিয়ালাগী নোংচুপ থংবা শরুক্তগী হিমরিদগী চীংগী লমদমশিং য়ৌনা শনে দাক্লিবা মফমশিংদা লোত্তুনা লৈরি।

কুমজা ২০১৭ গী অথেংবা শরুক্তা ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা এক্সট্রিমিষ্ট আই এস মিলিটেন্টশিংবু লৈবাক অদুগী মফম পুম্নমক্তা মপুং ফানা মাইথিবা পীখিবদগী লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিগী ফিভম শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলকখি। অদুমওইনমক লেমহৌরিবা আই এস মিলিটেন্টশিংনা সিটিগী এরিয়াশিং নৎত্রগা লৈকংলাগী লমশিংদা অমদি চীং-মান কয়াদা চঙশিন্দুনা ফিভম শেন্নগা সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিং অমসুং মীচমশিংগী মায়োক্তা তোয়না এটেক চথরক্লিবনি।

# পাকিস্তান্না এম্বেসিশিংদা কাশ্মির সেল, দেস্ক থম্নবা থৌরাং তৌরি



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

কাশ্মিরগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম য়েংদুনা পাকিস্তান্না ফোরেন ওফিসতা কাশ্মিরগা মরী লৈনবা স্পেসল সেল অমা লিংনবা অমদি এম্বেসি খুদিংমক্তা দেস্ক অমমম থম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱাফম অসি ইস্লামাবাদতা কাশ্মিরগী ফিভমগী মতাংদা খন্ননবা অমদি হীরম অসিগা মরী লৈননা পায়খৎকদবা থবক্কী থৌরাং অমা য়াৎনবা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা চ্যের লৌরবা মতুংদা ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মেহমুদ কুরেসিনা ফোঙদোকখিবনি।

ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অমদা পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু জে এন্দ কেগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবগী মতাংদা চৈথাংহনবা ঙমখিদবা মতুংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অদু কৌখিবনি।

কাশ্মিরগা মরী লৈননা থমগদৌরিবা স্পেসল সেল অদুনা মহাক্কী অয়াবগী মখা পোন্না তুংদা পায়খৎকদবা থবক-থৌরমশিং য়াৎকনি হায়না কুরেসিনা ফোঙদোকখি। কাশ্মিরগী মতাংদা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অদু লোইরবা মতুংদা ইন্টর-সর্ভিসেসকী পব্লিক রিলেসন্সকী দিরেক্টর জেনরেল মেজর জেনরেল অসিফ গাফুরগা লোয়ননা মিদিয়াদা ৱাঙলদুনা কুরেসিনা হায়খি মদুদি ওকুপাইদ কাশ্মিরদা থবক থৌরম খুদিংমক লেপ্পগী ফিভম লৈরিবদুদগী মালেমগী মীৎয়েং চিংথোক্লবগীদমক্তা ইন্দিয়ানা অরানবা ৱাখলনা লিচিং ওইদুনা অকন-অরিং শিংবগী থৌওংদা অরানবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপা তারবদি পাকিস্তান অমসুং লৈবাক অসিগী আর্মিনা অদুগুম্বা থৌওংশিং অদুগী মায়োক্তা মশা ঙাকথোকচনবা শেম শারে।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবা মতুংদা লমদম অদুদা ওইরক্লিবা ফিভম খন্ননবগীদমক্তা চাইনানা তকশিল্লকপদগী ইরাই নুমিত্তা যু এন এস সীগী মীফম অমা পাঙথোখিবনি।

## জহাজ মৈ চাকপদা তরেৎ শিরে

জকার্তা, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) :

সেন্ট্রেল ইন্দোনেসিয়াগী সুলাৱেসি প্রোভিন্সকী মনাক্তা থাংজ নুমিত্তা জহাজ অমা মৈ চাক্লকখিবগী থৌদোক্তা অঙাং অনী য়াওনা মীওই তরেৎ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪না থিবা খঙখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লাইবক থিরবা থৌদোক অদু কোনাৱে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোকারি ঈথৎকা নক্লবা ঈশিংগী শরুক্তা থোকখিবনি হায়না নেসনল সর্চ এন্দ রেস্ক্যু ওফিসতা মিদিয়া কম্যুনিকেসনগী মকোক ওইরিবা য়ুসুফ লাটিএফনা হায়খি।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ওফিসল অসিগী ৱারোল পল্লদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু এঞ্জিনগী কাদা মৈ হৌরকপদগী থৌদোকখিবনি। জহাজ অদুগী ক্রুশিংনা মৈদু মুথৎনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদে। ঙাইহাক্কী মনুংদা মৈ চাওনা চাক্লকখিবগা লোয়ননা পেসেঞ্জর কয়া ঈশিংদা চোংথনখি হায়রি।

Office of the
**MANIPUR RENEWABLE ENERGY DEVELOPMENT AGENCY (MANIREDA)**
(An Autonomous Govt. Institute under the Power Department)
2nd Floor, South Block, Secured Office Complex, Near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal-795001

**NOTICE INVITING BID**
Imphal, dated 5th August, 2019
NIB No. : MANIREDA/SPP/ SPP/DC_KPI/2019-20/13 Imphal, dated: [redacted]
Online tenders are invited from reputed manufacturers of MNRE approved channel partners for:

| Item(s) | Tender No. | Total Capacity | Cost of Tender Document (Rs.) | Earnest Money (Rs.) |
|---|---|---|---|---|
| Design, supply, installation and commissioning of 25 kW SPV Power Plant Syrs Maintenance and Performance Warranty Contract (MPWC) at Deputy Commissioner's Office, Kangpokpi, Manipur. | MANIREDA/SPP/ DC_KPI/2019 - 20/13 | 25 kW | 500/- | 60,000/- |

| Last date & time for submission of E-Tender online | Last date & time for submission of Hard Copies | Date & time for opening of E-Tender |
|---|---|---|
| 31/8/2019 upto 12.00 Noon sharp | 31/8/2019 upto 12.30 P.M. | 31/8/2019 at 1.00 P.M. |

Details of the Bid and Tender Document can be downloaded from the website www.manipurtenders.gov.in or www.manipur.gov.in or www.manireda.com. Bidders have to upload their bid at www.manipurtenders.gov.in.

Offline tenders are invited from eligible MNRE accredited channel partners/firms of Grid connected Solar Photo Voltaic (SPV) power plant programme for Modification/Conversion of existing Off-Grid 40 kWp SPV Power Plant into Grid connected SPV Power Plant and Renovation of existing 20 Nos. of Solar Street Lighting systems at Raj Bhavan, Imphal, Manipur

| | Tender Specification No. | Cost of Bid Document (Rs.) | Earnest Money (Rs.) | Pre-Bid discussion | Last date & time for submission of Tender |
|---|---|---|---|---|---|
| (i) | NIB No. MANIREDA/SPP/SADP/2019-20/14 dtd. 5/8/2019 | 500/- | 18,000/- | 11.00 a.m. 26/08/2019 | 2/9/2019 upto 12.00 Noon Sharp |
| (ii) | NIB No. MANIREDA/SLS/SADP/2019-20/15 dtd. 5/8/2019 | 500/- | 15,000/- | -do- | -do- |

Tender Document can be downloaded from the website www.manipur.gov.in or www.manireda.com
Bidders have to submit the Bids to the office of MANIREDA.
HL-B/5609/18
*Sd/-* **Director, MANIREDA**